**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি- রাজ্য অসিদা ঙা য়োকপনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি।

২) রাজ্য সভা সদস্য, লৈশেম্বা সনাজাউবনা কবো তম্পাকপু মণিপুরদা হন্দোরকবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু নত্রগা পন্দুনা লৈরিবা ক্ষেতিপুরনগী শেনফম ম্যান্মারনা রাজ্য সরকার নত্রগা কেন্দ্র সরকারদা পীহল্লু হায়না সংসদতা তকশিনখ্রে।

৩) কেন্দ্রগী তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হায়রি- শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী বজেৎতা য়াওখিবা লম কোইফম ৫০ শেমগৎনবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎসু য়াওরি।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মহৈরোইশিংনা থবক থিবা মীওই ওইবগী মহুৎতা মীয়ামদা থবক পীবা ঙম্বা মীওই অমা ওইনবা হোৎনশি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মাউরিসিয়সকী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

------

এময়ু(এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি- রাজ্য অসিদা ঙা য়োকপনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি। মৈহৌরোলদগী হৌনা ঙা য়োকপগী থবক অসি ঐখোয়গা শাগোন্নদুনা লাক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী জ়লোজি দিপার্টমেন্টতা ঙা মচা শেমগৎনবা ফিসা লেবোরেটরি অমা হাংদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- রাজ্য অসিদা পাৎ-তুরেল অমদি পুখ্রিনচিংবা মরাং কায়না লৈবনা ঙা য়োকপগী লমদা হেন্না চাওখৎপগী খুদোংচাবা লৈরি। মহাকা হায়- ঙসি হাংদোক্লিবা মাশির হ্যেচরি অসিনা ঙাগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপদা মতেং ওইহনগনি। শ্রী ভল্লানা হায়- ভারত সরকারনা ঙামীশিংগীদমক প্রধান মন্ত্রি মস্যা সমপরদা য়োজনা (পি.এম.এম.এস,ৱাই) য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং পায়খৎলি। মসিনা ঙামীশিং মশা মথন্তা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্দুনা আত্মা নিরভর ভারত অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইরি। মীয়ামা অসিগুম্বা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌবীনবা রাজ্যপালনা আপীল তৌরি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাজ্যপালনা জ়লোজি দিপার্টমেন্টকী মহৈরোইশিংনা উৎপা একজিবিসন অমসু য়েংখি।

সনাজাউবা (এল)ঃ কবো তম্পাকপু মণিপুরদা হন্দোরকবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু নত্রগা পন্দুনা লৈরিবা ক্ষেতিপুরনগী শেনফম ম্যান্মারনা রাজ্য সরকার নত্রগা কেন্দ্র সরকারদা পীহল্লু হায়না রাজ্য সভা সদস্য, লৈশেম্বা সনাজাউবনা সংসদতা তকশিনখ্রে।

ঙসি ফমখিবা সংসদকী মীফমগী জিরো অৱারগী মতমদা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা কবো তম্পাক্কী ৱাফম পুখৎলদুনা হায়- কুমজা ১৯৫৩ গী মার্চ ৩ দা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুনা মতমদুগী মহাক্কী ফম মান্নবা ম্যান্মারগী প্রধান মন্ত্রিগা লোয়ননা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা কবো তম্পাকপু ম্যান্মারদা পীথোকখি। কবো তম্পাকপু ম্যান্মারদা পীথোকখিবা অদুমক মণিপুরগী পুৱারীদা খ্বাইদগী লাইবক থীবা নুমিৎ অমা ওইখি।

কবো তম্পাকপু মণিপুরদা অমুক হন্দোরকবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু নত্রগা পনদুনা লৈরিবা ক্ষেতিপুরনগী শেনফম রাজ্য সরকার নত্রগা কেন্দ্র সরকারদা মখা তানা পীহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না লৈশেম্বা সনাজাউবনা কেন্দ্র সরকারগী পুকিং চিংশিনখি।

জিরিবাম (এল)ঃ  জিরিবামদা মীপুম খুদিংমকা শান্তি অমসুং অমত্তা নুংশি চান্ননা অপুনবগী শক্তম ঙাকশি হায়না দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা আপীল তৌরি। দি.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা কাংলুপ নাইদনা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নশি। রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা লুরবা তাঞ্জা অসিদা হিংশা তৌদনা অমনা অমবু ইকায় খুমশি। জিলা অসিদা অপুনবগী পাঙ্গল উৎতুনা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা মাংলোমদা চংশিল্লশি।

কেম্প (এল)ঃ  অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী হাওচোং খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- মফম অদুগী মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনদুনা নাদ-য়েক্তনা লু-নান্না লৈনবনি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১৩৫ রোম লায়েংখি।

বিমোল (এল)ঃ  কেন্দ্রগী তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হায়রি- শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী বজেৎতা য়াওখিবা লম কোইফম ৫০ শেমগৎনবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎসু য়াওরি।

লোক সভাদা ঙসি অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মণিপুরদা লম কোইবশিংগী মফম ওইরিবশিং শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা সরকারনা করি থৌরাং পায়খৎলি অমদি শেনবা চহি অসিগী বজেৎতা পনখিবা লম কোইবগী মফম ৫০ শেমগৎ শাগৎপদা মণিপুরগী করম্বা মফম য়াওরি হায়না হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী সেখাৱটনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- স্পেসিয়েল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিতেল ইনভেষ্টমেন্ট (সচি)গী মখাদা তোপ তোপ্পা লম কোইফমশিং মালেমগী থাক্তা শেমগৎনবা রাজ্য ২৩ দা প্রোজেক্ট ৪০ পায়খৎপদা মণিপুরগী ওইনা প্রোজেক্ট অসি য়াওরকপনি। প্রোজেক্ট অসিগীদমক লুপা কোতি ৮৯ লাখ ৪৮ চংনা পায়খৎকদবনি।

সিসিপুর (এল)ঃ   সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চথখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কুকি জো কাউন্সিলনা কুকি জো তাবা মফমশিংদা

লাউথোকখিবা টোটেল সটদাউনগী মমি চুরাচান্দপুর জিলাদসু চাউনা তারি। ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়- টোটেল সটদাউন অসিনা মরম ওইরগা জিলা অসিদা মহৈ তম্ফমশিং, দুকানশিং অমদি লল্লোন ঈতিক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক লেপখি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাদা মতম কক্তবা সটদাউন চথরি। ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী গুগুন সিংসিৎনা হায়- জিলা অসিদা লৈরিবা মহৈলোইশঙশিং, দুকান, কৈথেলনচিংবা মফমশিং থোঙ হাংনখিদে। বেঙ্কশিংসু থোঙ লোনখি। মহাকা হায়- থা অসিগী ৮ দা থোকখিবা থৌদোক্তা লৈখিদবা মীওই অদুগী হকচাং পোষ্টমোর্টেম তৌখ্রে। অদুবু অশিবা হকচাং অদু সরকারগা য়ান্নবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা লৌখিরোই হায়রি।

মনিরেদা(এল)ঃ মনিপুর রিন্যুয়েবল ইনর্জি দেভলপমেন্ট এজেন্সী(মনিরেদা)দা শিন্দুনা সোলর লাইট সিস্তেম হায়বসিগী মতাংদা মীয়ামদা মপুং ওইনা লৌমীশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা ওরেন্তেসন অমসুং অব্রেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা হৌজিক ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উচিৱা মখা লৈকায় কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ঙসি ভারত সরকারগী নিউ এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি মন্ত্রালয়গী মখাদা মনিরেদানা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা মফম অদুগী লৌমী মীয়ামদা বাইও গ্যাস, ৱাতর পম্প, সোলর ৱাতর হিতরনচিংবগী মতাংদা মতৌ করমা শিজিন্নগনি হায়বসিদা অখঙ অহৈশিংনা তাকপী তম্বীখি।

ত্রেনিং(এল)ঃ মমা ওইবশিংনা পীক্লিবা অঙাংশিংগীদমক চেকশিল থৌরাংগীদমক করি তৌগনি অমদি করি পোৎলমশিং শিজিন্নগদগে হায়বসিগী মতাংদা অর্বান অয়ুসমান আরোগ্যা মন্দিরগী মখাদা লৈবা মেদিকেল ওফিসরশিং অমসুং স্তাফ নর্সশিংগী ওইবা ত্রেনিং হৌদোকপা অমদি তাকপী তম্ববগী থৌরম অমা ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা রাজ্যগী ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী ত্রেনিং সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর সরকারগী হকশেল বিভাগ অমদি রাজ্যগী হেল্থ সোসাইতিনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা হেলথ

সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চন্বো গোলমৈ অমদি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর ডা.এম.দিনেস শরুক য়াখি।

থৌবাল (এল)ঃ  থৌবাল জিলাদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অহুমদা লৈবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিংগী ওইবা মেলা অমা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থৌবাল দি.সি. কমপ্লেক্সকী ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অদুগী অয়ক্কী পুং ১১ দগী হৌগদৌরিবা মেলা অসিদা জিলা অসিগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিং অসিবু পুকিং থৌগৎপীনবসু আপীল তৌরক্লি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা নেসনেল দিৱার্মিং ডে ২০২৫ গী অহানবা রাউন্দগী ওইবা জিলা থাক্কী ওইনা কর্ম্মচারিশিংবু অমুক নৌহৌননা হিরম অসিগী মতাংদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা আর.দি.ৱিংদা পাঙথোকখ্রে। নেসনেল হেলথ মিসন্না শিনবা থৌরম অদুদা সি.এম.ও ওফিসকী মীওইশিং, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার, আই.সি.দি.এস, জেদ.ই.ওগী মীওইশিং অমদি ব্লোক প্রোগ্রাম মেনেজমেন্ট য়ুনিত শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ  নেসনেল তোবেক্কো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম এন্দ সিগরেটস এন্দ আদর তোবেক্কো প্রদক্স (কোটপা) এক্ট ২০০৩ কী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা নিংথিন খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিনবনি। থৌরম অদুদা মেদিকেল, ফুড সেফতি, পুলিস অমসুং ইজ্কেসন বিভাগকী কর্ম্মচারি ৪০ রোমনা শরুক য়াখি।

মৈ (এল)ঃ  এম.এস.পি.দি.সি.এলগী কর্ম্মচারিশিংনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা রেইদ চথবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ২৬ ফাগৎখিবগা লোয়ননা পুন্না কঞ্জুমর ৪১ গী মৈ ককথৎখি অমসুং মীওই

অনিগী মথক্তা এফ.আই.আর পানখ্রে হায়না কোরপোরেসন অসিগী চেরোল অসিনা মখা তারি ।

লেব (এল)ঃ ইম্ফালগী সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী কম্প্যুটর লেব অমা ঙসি হাংদোকখ্রে। লেব অসি হাংদোকপগী পান্দমদি- লাইব্রেরি অসিদা লাইরিক পাবা লাক্লিবা মীওইশিংদা ইন্তরনেটকী খুদোংচাবা ফংহনদুনা ই-বুক অমদি ই-জরনেলনচিংবা পাবা ফংহন্নবনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মহৈরোইশিংনা মশা মশাগী থবক থিবা মীওই ওইবগী মহুৎতা মীয়ামদা থবক পীবা ঙম্বা মীওই অমা ওইনবা হোৎনশি। ৱাফম অসি হরিয়ানাগী হিসারদা লৈবা গুরু জম্বেশ্বর য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা রাষ্ট্রপতিনা ফোংদোকখিবনি।

তুংদা, শ্রীমতি মুরমুনা ব্রহমকুমারিশিংগী গোল্ডন জ্বিলি থৌরমদা রাজ্য থাক্কী কেম্পেইন স্পিরিচ্যুএল ইদ্যুকেসন ফোর হোলিস্তিক ৱেলবিয়িং হৌদোকখি।

রাস্ত্রপতিনা হয়েং বথিনদাদা লৈবা এইমস অমসুং পঞ্জাবকী সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাংৱাইরমদনা পঞ্জাব সরকারনা য়ুম্বু ওইদুনা মুহালিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াগনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তনা চান্দিগরদা লৈবা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিতিগী কনভোমেসনদা শরুক য়াগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মাউরিসিয়সকী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। প্রধান মন্ত্রিনা থা অসিগী ১২ পাঙথোক্কদবা মাওরিসিয়সকী নেসনেল ডে থৌরমদা সভাপতি ওইনা শরুক য়াগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী মাউরিসিয়সকী নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা মনুংদা লৈবাক অদগী প্রধান মন্ত্রিগা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি। শঙ্গাগদবা প্রোজেক্টশিং অদুদা সিভিল সার্ভিস কলেজ অমসুং হেলথ সেন্তর য়াওরি। প্রোজেক্টশিং অসি ভারতনা শেন্থুং পীদুনা শাবনি।

মাউরিসিয়সতা লৈবা ভারতকী হায় কম্মিস্নর অনুরাক শ্রীবাস্তভানা অকাশবানিদা হায়-ভারত অমসুং মাউরিসিয়স অনিগী মরক্তা অফবা মরি লৈরি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরি অসি হেন্না চেৎশিলহল্লগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ --

পোলো (এল)ঃ ৩৭ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈনা ক্রিপসা পোলো টিম-এ নাওরেমথোংবু পাঞ্জল ১৩-৪ দা, রুপকুমার পোলো ক্লব-বিনা নাগামপালনা পেরাদাইজ পোলো ক্লব-এ ৱাংখৈবু পাঞ্জল ১০-৩ দা অমসুং ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব নোংমৈবুংনা খুরাই পোলো ক্লব খুরাইবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  চহি ১৩ মখাগী নুপামচাগী ইন্তর ক্লব ফুটবোল লিগ তুরনামেন্টকী ৱাই.সি.দব্লিউ.ও গ্রাউন্দ হৈনৌপোক্তা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর য়ুনাইতেদ এফ.এনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ঙসি ইশোক প্লে গ্রাউন্দদা শান্নিখিবা মেটচতা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরনা ইশোক এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ সমুরৌ চিংগো ত্রোফি ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- য়ু.সি.এফ.এ লাইফ্রাকপমনা ৱাই.এস.সি নাওরেম চাপ্রৌবু পাঞ্জল ১-০ দা, পান্থোইবী এফ.সি খা শঞ্জেনবমনা এন.সি.পি ময়াংইম্ফালবু পাঞ্জল ২-০ দা, এ.এল.সি.সি.ও চজিংনা

অচানবীগৈ এফ.সিবু পাঞ্জল ৭-২ থোইখি অমসুং মোদেল ক্লব শিংজমৈ অমদি পেক পুখ্রম্বম পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখি,

ফুটবোল (এল)ঃ অনিসুবা লেট এন. কেথবী মেমোরিয়েল লিগ রাউন্দ ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম শাবল ইমোইনু গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা- কে.ৱাই.ভি.ও এন্দ এস.দল্লিউ.সি খুনফমনা মিক্স এফ.সি কোদোমপোকপী মমাংবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখি অমসুং এস.এল.ৱাই.এফ.এ শগোলবন্দ অমদি হৈক্রুমখোঙ এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি সেদোক গ্রাউন্দা কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে। থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর টৌইন্তি থ্রি হাওবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএ ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী লিগ মেটচ অমদা ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু রন ৮ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু রন ৭৯ দা থোইখ্রে।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহালাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা সুপর নোকআউট মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা ইলিমিনেটর মেটচ অমদা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

------